# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JANUARY 15, 2020 PAGE 7




*গুৱাহাটিদা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসকী নুপীগী রোদ সাইক্লিং ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রবী অসামগী এঠলেট গোঙ্গুত্রি বোরদোরোই*

*এদিলেদ ইন্টরনেসনেল টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বার্টি*



## মণিপুরগী সুসিলা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী স্কৱাদতা য়াওখ্রে, রানীনা কেপ্টেন ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৪ (এজেন্সি) ঃ*

থা অসিগী ২৫ দগী ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা শান্নগদবা হৌগদৌরিবা টুর অসিগী ইন্দিয়াগী মেম্বর ২০ না শাবা নুপী হোক্কী টিমগী স্কৱাদ লাওথোরকপদা মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোই পুখ্রম্বম সুসিলা য়াওখ্রে, টুর অসিদা রানী রামপালনা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইরগনি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা ঙসি লাওথোরকখিবা স্কৱাদ অসিদা গোলকিপর সভিতানা রানী রামপালগী দিপুতি ওইরগনি হায়রি।

টুর অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৫ দা ন্যু জিলেন্দগী দিভলপমেন্ট স্কৱাদকা লম্বা তৌনগনি। মসিগী মতুং জনুৱারি ২৭ অমসুং ২৯ দা ন্যু জিলেন্দগী নুপী টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

ন্যু জিলেন্দ টুর অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী টিম্না গ্রেট বৃটেনগা ফেব্রুৱারি ৪ দা মেটচ অমা শান্নগনি। টুর অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দগা ফেব্রুৱারি ৫ দা অমুক শান্নগনি।



ন্যু জিলেন্দ টুর অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমগী চীফ কোচ মারিনেনা ফোঙদোকখিবদা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইগনি। ঐখোয়না মেম্বর ২০ খনগৎলবসু মরুওইনা ওলেম্পিকক্তা শান্নরোই ১৬না শান্নগদবা মরম্না শান্নরোই ১৬ খক শান্নহনগনি। অদুবু মেটচ খরদা শান্নরোই ১৮ শান্ননবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না চীফ কোচ মারিনেনা মখা তানা হায়খি।

টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা প্রেসর লৈরবসু মখোয়গী খোঞ্জেল কায়দনা য়াম্না ফজবা ফিভমদা শান্ননবগীদমকসু কোচ মারিনেনা শান্নরোইশিংদা আপিল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ন্যু জিলেন্দগী টুর অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না থেংনগদৌরিবা টিমশিং অসি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াদগী হেনবা ঙক্তনি। ন্যু জিলেন্দ ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৬শুবদা লৈরি অদুগা গ্রেট বৃটেননা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংগী ৫শুবদা লৈরিবনি। শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াম্না খুদোংচাবা অমা পীরগনি হায়না মারিনেনা মখা তাখি।

ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা টুর অসিগীদমক খনগৎখ্রবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অদুদি– রানী রামপাল (কেপ্টেন), সভিতা (ভাইস কেপ্টেন), রজিনি ইটিমরপু, দিপ গ্রেস ইক্কা, গুরজিৎ কোর, রিনা খোখার, সালিমা টেটে, সুসিলা চনু, নিসা, নমিতা টোপ্পো, উদিতা, মোনিকা, লিলিমা মিঞ্জ, নেহা, সোনিকা, সরমিলা দেবী, নভনিত কোর, লালরেমসিয়ামী, ভন্দনা কাটারিয়া অমসুং নভজোৎ কোরনি।

## ৱার্ল্ড আর্চরিনা এ এ আই পোলগীদমক ওবজার্ভর হাপখ্রে

*কোলকটা, জনুৱারি ১৪ (এজেন্সি) ঃ*

ৱার্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) গী পোলগী ওবজার্ভর হাপখিবদগী ইন্দিয়াগী বোদিদা অথিংবা থল্লম্বা অদু লৌথোকপগী ফিভমদা লৈখ্রে।

নীংশিবা য়াই, মমাঙ চহীগী জুন ৯ দা ন্যু দিল্লি অমসুং চান্দিগরদা মতম অমত্তদা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীখল অনী পাঙথোক্কুনা প্রসিদেন্ট অনী খন্দুনা মচেৎ তাখিবনি। চয়েৎনবা অসিনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা নেপালদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা ন্যুত্রেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখি। অদুগা এসিয়া কোন্টিনেন্টকী ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অমা ওইরিবা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ্তসু ন্যুত্রেল এঠলেট ওইনা শরুক য়ানবগী অয়াবা পীখিবনি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্র য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কুপ্না খন্নরবা মতুং ৱার্ল্ড আর্চরিনা লাক্লিবা থাংজা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগীদমক ওবজার্ভর থাননবা ফিরেপ লৌখিবনি। ওবজারবর অদুদি বোদি অসি ভাইস প্রসিদেন্ট (এসিয়া রিজন) গী কাজি রজিব উদ্দিননি। ওবজারবর থারকপা অসিনা মরম ওইরগা অথিংবা থল্লম্বা অদু শোয়দনা লৌথোকপগী ফিভমদা লৈখ্রে।

## ওস্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারি ১৪ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওস্ট্রেলিয়ানা ঙসিদগী শান্নখিবা হৌখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না মুম্বাইদা লৈবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেটচতা ওস্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু য়াম্না লায়না ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

অহানবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ওস্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ৫০শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ২৫৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা শুপ্পগী রন ১০ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা লোকেস রাহুলনা অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱনগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

লোকেস রাহুল বোল ৬১ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ওপনর সিখর ধৱনসু বোল ৯১ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৭৪ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ১৪০ দা বেটসমেন ৩ আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু শুপ্পগী রন ১৬ খক লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ফিভম শোকচিল্লকখি।



৬শুবা বেটসমেন রিসব পন্টকী রন ২৮ অমসুং ৭শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ২৫ অসি নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ৫০শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ২৫৫ দা লোইশিনখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী বোল্লিংদা মিটচেল ষ্টার্কনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি। পেট কুমিন্স অমসুং কেন রিচার্দসনসু ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

ওস্ট্রেলিয়ানা মেটচ অসি মায় পাক্নবগী রন ২৫৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৩৮শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন অমত্তা আওট ওইদনা রন ২৫৮ লৌবা ঙমদুনা অহানবা ৱান দে মেটচ অসি ওস্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী ওপনর অনী দেবিদ ৱার্নর অমসুং কেপ্টেন আরোন ফিন্সনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। দেবিদ ৱার্নর বোল ১১২ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১২৮ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অতোপ্পা ওপনর আরোন ফিন্সসু বোল ১১৪ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১১০ লৌবা ঙমখি।

## লক্ষ্য অমসুং সুভাঙ্কর ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সকী ক্বালিফায়রদা লৈহৌরে

*জাকর্টা, জনুৱারি ১৪ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা সট্লর লক্ষ্য সেন অমসুং সুভাঙ্কর দে ঙসি শান্নখিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সকী ক্বালিফায়রদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রো চঙবা ঙমখিদ্রে।

২০১৮ ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেডালিষ্ট মশাগী চহী ১৮ শুরবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়রদা থাইলেন্দগী টানোনসাক সেনসোংবুন্সুক্কী মখূত্তা ১৩–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সুভাঙ্কর দেসু থাইলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই সুপ্পানয়ু এভিহিং সানোনগী মখূত্তা ১৬–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল শরুক য়ারি। সিন্ধুনা ৫শুবা সিদেদ ওইরি অদুবু সাইনাদি সিদিং ফংবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থ, বি সাই প্রনিথ, ঐচ এস প্রনোই, পরুপল্লি কাশ্যপ অমসুং সমির ভর্মসু টুর্নামেন্ট অসিগী মেন রাউন্দদগী শান্নবা হৌগনি। ঙসিদগী হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা সিঙ্গলসকী মেটচশিংদি হয়েংদগী শান্নবা হৌগনি।

## ইন্দিয়াগী প্রজনেস মায় পাক্লি রামকুমার, অনকিতা লৈহৌরে



*মেলবর্ন, জনুৱারি ১৪ (এজেন্সি) ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওস্ট্রেলিয়ান ওপনদা শরুক য়ানবগী চত্থরিবা ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুনেশ্বারন মায় পাক্লি, রামকুমার রামানাথন অমসুং অনকিতা রাইনা অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

প্রজনেসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়রগী অহানবা রাউন্দদা ওস্ট্রেলিয়াগী হেরি বোরচিয়রবু ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী য়ান্নিক হানফমানগা শান্নরগনি। প্রজনেসনা মখা তানা মেটচ অনী মায় পাকপা ঙল্লবদি ওস্ট্রেলিয়ান ওপনদা ক্বালিফাই ওইরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রামকুমার রামানাথন ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ১৫শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী ফেদেরিকো কোরিয়াগী মখূত্তা ৬–৪, ৪–৬, ১–৬ তা মায়থিহৌখি। নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবী শান্নরোই অনকিত রাইনাসু ক্বালিফায়রগী অহানবা রাউন্দদা বলগেরিয়াগী ভিক্টোরিয়া টোমোভাগী মখূত্তা ২–৬, ৬–৭(২–৭) দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সুমিত নগালসু ক্বালিফায়রগী অহানবা রাউন্দদা ইজিপ্তকী শান্নরোই মোহমদ সাফৱাটকা শান্নগনি।

## বার্টি, হালেপ এদিলেদ ইন্টরনেসনেলগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*এদিলেদ, জনুৱারি ১৪ (এজেন্সি) ঃ*

ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি এদিলেদতা থা অসিগী ১২ দগী চত্থরক্লিবা এদিলেদ ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। বার্টিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওস্ট্রেলিয়াগী রোদিওনোভা অমসুং ৮শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী ভোন্দ্রৌসোভা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অজলা টোমলজানোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা মহাকসু কাঙলূপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বেলারসকী সবালেনকা অমদি য়ু এসকী পেরাগী অথোইবগা শান্নরগনি।

এদিলেদ ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা বৃটেনগী দেনিয়েল ইভান্সসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। বৃটেনগী ইভান্সনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কজাখষ্টানগী শান্নরোই আলেকজেন্দর বুব্লিকপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

ক্রোসৱার্দ ৩৯৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | A | R | A | | N | E | W | S | | B | R | U | N | T |
| A | P | O | P | | A | L | O | U | | A | U | R | A | E |
| G | A | T | O | R | B | O | W | L | | R | I | G | G | S |
| E | R | O | D | E | | | S | T | E | R | N | E | S | T |
| | T | R | A | C | T | S | | A | G | A | | | | |
| | | | L | O | O | K | I | N | G | G | L | A | S | S |
| L | I | P | | N | E | A | R | | S | E | A | S | O | N |
| O | T | I | C | | | T | E | D | | | D | A | D | A |
| A | L | T | H | E | A | | N | O | I | R | | P | A | P |
| F | L | Y | I | N | G | S | A | U | C | E | R | | | |
| | | | | T | O | P | | R | E | M | I | S | S | |
| D | I | V | E | R | G | E | S | | | A | F | T | E | R |
| A | D | I | E | U | | N | A | M | E | P | L | A | T | E |
| S | E | E | L | S | | D | U | E | S | | E | R | I | E |
| H | A | D | S | T | | S | L | A | T | | S | E | N | D |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 62/SDC/IW(C) dt. 13/01/2020

Akham Bina Devi W/o Late Akham Rameshwor Singh of Sagolband Tera Sapam Leirak

Petitioner(s)

-Vs-

(Late) Akham Rameshwor Singh S/o (L) Jugeshwor Singh of Sagolband Sapam Leirak Khuraijam Leikai

O.P(s)

**NOTICE**

Imphal, the 14th Jan. 2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (Late) Akham Rameshwor Singh S/o (L) Jugeshwor Singh of Sagolband Sapam Leirak Khuraijam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অরিবা পাট্টা নম্বর 145 (Angs) অনৌবা পাট্টা নং 897/6196 দাগ নং 1273/1380 অমসুং এরিয়ানা .0093 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/B(S)(2)/15








